# ইশাগী চহী ৬৩ শুরবা মতম অসিফাওবা হৌজিকসু ঐহাক বেঙ্গলোরদা গোল কিপ্পরগী কোর্স য়াওজরি



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

(ঙরাংগী মখা)

ব্রেন য়াওনা শান্নবা অঙাংগা, থোকউ থোকউবা পঙশান্দা শান্নবা অঙাংগা খেন্নবসিসু হৌজিক্তী শান্নবা হেক লোইবগা ইরায় লায়না পুথোক্তুনা উৎপা য়ারে। ভিডিও এনলাইসিস তৌবগী কান্নবসিনা প্লেয়রশিংগী অশোইবসি খুদক্তগা হায়বা য়ারবনিনা শেমদোকপসু নুংঙাইরে। মসিনা শান্নরোয়শিংদা য়াম্না থুনা দিভলপ পুরকপসু ঙম্লে। ভিডিও হঞ্জিন হঞ্জিন কাপথোক্তুনা য়েংবগী খুদোংচাবা লৈরবনিনা করম করম্বা শান্নরোয়শিংনা করি করি খুৎশান্নদা হেন্না হৈনবগে হায়বনচিংবা হৌজিক্তী ইঙান ঙান্না লোইনা খঙবা ঙম্লে। কদাই কদাইদা অৱাৎপা লৈবগে হায়বদু খঙলবনিনা অৱাৎপা অশোইবা মফমশিংদুদা নিংথিনা তাকপীবা য়ারে।

অদুবু, হৌজিক্তী প্লেয়র শেম্বা মতমসিদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু য়াওদবা য়াদ্রে। কোচশিংনা প্লেয়র শেন্নরিবা, শেম্লিবসিদি ফিল্ডদা খক্তনি। গ্রাউন্দদা লৈরিঙৈ মতমসিদদি কোচ অমা ওইনা গার্জিয়ান অমা ওইনা মখোয়দা তাকপা য়াবা, হায়বা য়াবা কয়া লোইনা তম্বীবা য়াই। ঐখোয়না তাকখিৱবা ময়ামদু য়ুমগী মীওইশিংনা অমুক শেন্নবীদুনা হোৎনবীবা অমা চঙই। কোচনা প্লেয়রদা ট্রেনিং পীজরিবা অসিদি চাউরাক্লা চাদা নিফুরোমদনি। চাদা হুম্ফু অমদি মশাগী হোৎনজমনগা, ইমুং-মনুংনা য়েংশিনবীবনা ওইগদবনি। প্লেয়র অমা অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবা মতমদা গ্রাউন্দগী ৱাংমদা লৈরিঙৈ মতম অসিসু য়াম্না মরু ওই। ট্রেনিং তৌবা লোইরগা ফিল্ডগী মপান্দা লৈবা মতমসিদা মখোয় করম্বা লাইফ ষ্টাইলদা লৈবগে? করি করি চিঞ্জাক চাবগে, তুম্বা চাবগী মওংসিনা কমদৌবগে হায়বসিসু য়েংশিনবীবা মথৌ তাই। নিংথিনা শান্নগে খল্লিবা প্লেয়রশিংদি পকচা চাবা য়াদে। তুম্বা চাবসু মতম নাইদবা য়াদে। শান্নরোয় অমদা, কান্নদবা চিঞ্জাক চাশিন্দুনা অহিং থেংনা তুম্বা হায়বসি চৎনদে। কাংলোন চুমদবা শান্নরোয়শিংদি তুং-কোইনা শান্নবসু খক ঙম্লোই। অদুনা অফবা শান্নরোয় অমা ওইহনগে খল্লবদি মমা-মপা, ইমুং-মনুংনসু খরা কুপ্না শেন্নবীবা তাবনি। শান্ন-খোৎনবদা খরা খরা





## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### অকাউ পরে চল্লুরবশিং

মমিং লৈরিবশিং অসিদি মশা মশাগী নোংমগী ওইবা রুটিন শেমদুনা মদু ঙাক্লা চৎপা ঙাক্তনি। নোর্মেল ওইনা লৈবা মীওইগা মমান্নবশিংগা কন্না কম্পিটিসন তৌনরিবা প্লেয়র অমগী পুন্সিগদি কৈদৌনুংদা মান্নবা য়ারোই। অচঙবা মী অমা ওইগে হায়রগদি ঐখোয় শিঙনবা তমগদবনি। অঙম তানগদবনি। অহল ওইরবা ইশাগী চহী ৬৩ শুরবা ঐহাক ইশামক ফাওবা হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরদা গোল কিপ্পিংগী থর্দ লেভেলগী ট্রেনিং তৌজরি। এক্স নেসনেল ফুটবোল রেফ্রি ওইনা টুর্নামেন্ট ময়াম অমদসু ঐহাক শরুক য়াজখ্রে। ফুটবোলদা মতম শাংনা কথোকচরকপা মীশক অমা ওইনা হৌজিকসু খঙনিংবগী অপাম্বা লোইদ্রি। হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসিদা করি করি তম্বীরম্বা য়াবা, তাকপীরম্বা য়াবা হায়বসিদা হৌজিকসু খনবা লেপত্রি। গেমসিসু থম্মোয় শেংনা নুংশিজরুবনা অফবা অঙাং কয়া অমা শেম্লিংবগী ৱাখলসু লৈজরি। গোল কিপ্পিংগী ওইনদি হন্দক চৎলিবা অসিনা অরোইবসু ওইরগনি। ইচা-ইশুশিংনসু অহল ওইরে পোখারো কন্না হায়রে। ঐনদি ঙমখিদবোইতা খল্লি। অদুবু হন্দক্তী ইশাদা খরসু অৱাবা ফাওই। অয়ুক অঙনবদগী মরক্তা ব্রেক ফার্ষ্ট, লঞ্চ পেক পীরগা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬ ফাওবা তকখায়বসি খরা ৱাবগুম তৌই। মহৌশা খরা নহা ওইরিঙৈদা তৌখিবশিং অদুদি করিমত্তা ফাওখিদবনি। চহীগী মতুংইন্না লাক্লিবা চেঞ্জ ময়ামসি খল্লুবদা নুংশি। হকচাংগসি অসুম্না শোন্থরক্কনি হায়বা থাজরুদে। হাপ্তা অমত্তংগী ওইবা অতেনবা কোর্স ওইজরগসু য়াম্না মপুং ফানা তৌবনিনা ওন্থোক্লা কান্নখ্রে। ৱাজরবসু অমরোমদদি য়াম্না নুংঙাই। ইন্দিয়ন টিমদা লৈবা ঐনা শেমজখিবা প্লেয়র রোনিবালাসু গোল কিপ্পিংগী ট্রেনিং কোর্সসিদা য়াওরি। হৌজিক্তী কোচিং ফিগসিসু লুপা লিশিং ২০ য়ৌরে। লৈফম চাফমগীসু লিশিং ২০ হঙ্গৎ-হন্দা চথোক-চৎশিনগী পুন্না থারগা কোর্স অমা তৌবদা লুপা লিশিং হুম্ফুদি অদুম চঙই। লেভেল অমা তৌবদা মীগীদদি পৈশা য়াম্না ফংই। ঐখোয়সিদদি করি হায়গদবনো খঙদ্রে। অমরোমদা শেল য়াম্না চঙবনিনা চৎনিংলবসু চৎতবা ময়াম অমসু লৈ। অদুগা, ঐখোয়না ফুটবোলদা ঙাওজবসিদি, পুন্সি চুপ্পা মসিদা অদুম লুপচরগদবনি।

... মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্কালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্না খজায় শোক্লা থম্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাই সিটি মায়থীখ্রে, গোকুলম কেরালা টেরেনগানুগা দ্রো চৎখ্রে

চিত্তাগোং, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৯দগী শান্নবা হৌরকখিবা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী মেচশিংদা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সি বংলাদেশগী ক্লব বসুনধারা কিংসকী মখুত্তা মায়থীহৌরে। অদুগা গ্রুপ অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদা গোকুলম কেরলা এফ সি অমসুং মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানুগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি গ্রুপ অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী চেন্নাই সিটি এফ সি অমসুং বংলাদেশকী বসুনধারা কিংস লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা বসুনধারা কিংসকী মায়কৈদগী কদোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগী অহানবা হাফ অদু লোয়শিল্লকপদা চেন্নাই সিটি এফ সিগী মাঞ্জিনা ৪৩শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা বসুনধারাগী মায়কৈদগী দাইসোবেকোবনা ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাংজিল থাদুনা লৈখিবা অদু ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সিগী মায়কৈদগী মসুর সেরিফনা ৭১শুবা মিনটতা চন্দুনা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি।

মেচ লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক্কী ক্লব অমা ওইরিবা বসুনধারা কিংসকী মায়কৈদগী মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মোহম্মদ কোদোনা ৮৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিদুনা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাই সিটি এফ সিবু ৩-২দা য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেচ অমদা মায়পাকপা ঙমখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব গোকুলম কেরলা এফ সি অমসুং মলেসিয়াগী টেরেনগানু এফ সি শান্নরকপদা লম্বা মান্নখিবা মরম্না মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০দা লোয়শিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'এ'দা ইন্দিয়াগী মোহন বগান অমসুং বংলাদেশকী ক্লব চিত্তাগোং অবাহানি লম্বা তৌনরগনি।

### ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ
# এস এফ সী তেরানা এস দি সী শমুরৌ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাই দল্লীয়ু সি মালোম গ্রাউন্দ দা চথুরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এফ সী তেরানা এস দি সী শমুরৌবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথুরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ১২শুবা মেচ ওইনা এস এফ সী তেরা অমসুং এস দি সী শমুরৌ লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা হাফতা এস এফ সী তেরানা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা এস দি সী শমুরৌগী শান্নরোয় রাকেশ জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এস এফ সী তেরাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজ তৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা এস এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় টি ঐচ চীংলেম্বা জর্সি নম্বর ১০না ইক্বেলাইজ ওইবা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ২ কান্নরগা অমুকসু টি ঐচ চীংলেম্বনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা এস দি সী শমুরৌগী শান্নরোয় টি ঐচ নিটিশ জর্সি নম্বর ১৪না চন্দুনা মেচ অদু ২-২দা অমুক লৈহনখি।

মেচ লোইরমদাইদা এস এফ সী তেরানা এস দি সী শমুরৌবু খুদুম চন্দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৮শুবা, ৮০ প্লস টু চৎপদা ঐচ বোনজিৎ জর্সি নম্বর ৩ অমদি টি ঐচ চীংলেম্বা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা মেচ অদু ৪-২ দা মাঙজিল থাহন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস দি সী শমুরৌগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ঙমদবদগী মেচ অদু এস এফ সী তেরানা পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকখি।

# য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ গ্রুপ ষ্টেজদা ইংলেন্দগী ক্লব অনী চেলসি অমসুং লিভরপুল মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

অমষ্টর্দম, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): য়ুরোপ লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০২০গী গ্রুপ ষ্টেজগী ঙরাং তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ মেচশিংদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অনী চেলসি অমসুং লিভরপুল মখোয়-মখোয়গী মেচশিং মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা গ্রুপ 'ঐ'কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা য়ুম্বু ওইদুনা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুদা শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌগদবা মিনট ৪দা ঙাইরবা মতমদা চেলসিগী শান্নরোয় বাটসুৱায়িনা মায়পাকপগী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পনবা য়াই, গ্রুপ অদুদা এজাক্স মমাংগী মেচ অনী শান্নরকপদা অনীম্মক মায়পাক্তুনা লাকখিবনি। অমরোমদা লিভরপুলগী চেলসিগী টিম অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়ানা থোইরম্বনি। ঙরাংগী মেচ অদুদা টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপা অদুদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা মেচ লোয়শিল্লকপগী মতম য়ৌশিল্লকখি। অদুবু চেলসিগী বাটসুৱায়িনা ৮৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অদু মায়পাকহনখিবদগী পোইন্ট টেবলদা এজাক্স অমসুং চেলসি পোইন্ট ৬/৬ ফংমিন্নদুনা লৈরি।

গ্রুপ 'ঈ'গী ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বেলজিয়মগী ক্লব গেঙ্কনা য়ুম্বু ওইদুনা লুমিনস এরেনাদা শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টিম অদু ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগী মখুত্তা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীবা নংখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙক্লিঙৈ লিভরপুলগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় চেম্বরলেননা ২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। মেচ অদু মখা চথুরকপদসু লিভরপুলনা য়াম্না হেন্না ফজনা শান্নদুনা এটেক্ট কয়া চথুরবসু গেঙ্ককী শান্নরোয়শিংনা দিফেন্স ফজ খিবদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈতনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা চেম্বরলেননা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমদা হাপচিনখি। মহাক্কী মতুং টিম অদুগী মেন অমসুং মুহমদ সলানা ৭৭শুবা অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম হাপচিনবা ঙমখ্রবা মতুং গেঙ্ককী ওদেনা ৮৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেচ অদু লিভরপুলনা ৪-১দা থোইখি।

গ্রুপ ষ্টেজ অসিগী তোঙান-তোঙানবা ৩শুবা রাউন্দগী মেচশিংদা ইটালিগী নাপোলিনা ওষ্ট্রিয়াগী রেদ বুল সাল্সবর্গ ৩-২দা থোইখি। স্পেনগী বার্সেলোনা জেক রিপব্লিক্কী স্লাভিয়া প্রাগ ২-১দা, ইটালিগী ইন্টর মিলাননা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু ২-০দা, পোর্টুগালগী বেনফিকানা ফ্রান্সকী লিয়োনবু ২-১দা, জর্মনিদী আর বি লেপজিকনা রসিয়াগী জেনিট সেন্ট পিটর্সবর্গপু ২-১দা অদুগা ফ্রান্সকী লিলে অমসুং স্পেনগী ভেলেন্সিয়া ১-১দা দ্রো চৎখি।

### থৌবাল সুপর দিভিজন লীগ ২০১৯
# হিসু থৌবালনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী কমপ্লেক্সতা চথুরকপা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯দা হিসু থৌবালনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯দা হিসু থৌবালনা মেচ মঙা শান্নবদা মেচ মরি মায় পাক্লগা মেচ অমনা দ্রো চৎলগা পোইন্ট ১৩ ফংলগা চেম্পিয়ন অদুগা দল্লিয়ু ৱাই এফ সীনা মেচ ৫ শান্নবদা মেচ অহুম থোইরগা মেচ অনীনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা রন্নর্স-অপ অমদি এস ৱাই দি এনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অহুমশুবা মফম তাখি।



সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী অরোইবা মেচতা হিসু থৌবাল অমসুং দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপগা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্নবা য়াম্না ফজনা তক্কন্দুনা লম্বা তৌনরকখি। মেচকী অহানবা হাফ হৌরকপগী মিনট ১১ চৎপদা হিসু থৌবালগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ মঙলেম্বনা একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংগী মায়কৈদগী মঙলেম্বনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা তকখৎতুনা শান্নরকখি। অদুবু হিসু থৌবালগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না তকখৎলকখি। শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৱাই সুরজ জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা লৈহনখি। মখা তানা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অসি দ্রো চৎখি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা হিসু থৌবালনা ফংখিবা পোইন্টকী মতুং ইন্না সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইখি।

# ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর য়ৌখ্রে, সেথি অমদি রানকিরেদ্দিসু ক্বার্টর চঙখ্রে

পেরিস, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোকপা ফ্রেন্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তসু ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেথি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় সাইনা নেহৱালনা দেনমার্ক্কী শান্নরোয় লিনে জার্সফেল্টকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ২১-১০, ২১-১১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় চেন অক্সপু থোইরম্বা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ঙগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মেচ অমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোয় য়িও জিয়া মিনবু শুপ্পগী মিনট ৩৪দা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১০, ২১-১৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং অমসুং সাউথ কোরিয়াগী কিম গা উন অনীগী অথোইবা অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী এম অসান অমসুং ঐচ সেটিয়াৱানবু য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমদা ২১-১৮, ১৮-২১, ২১-১৩দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক দেনমার্ক্কী কে এষ্ট্রুপ অমসুং এ এস রাসমুসেনগা শান্নরগনি।

## রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৪ (ঐচএনএস): সব জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপকী ষ্টেট সেলেক্সন খুমন লম্পাক্তা তৌগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা আর সী সী ৱুশু হোল মাঙ্গোলঙানবী কোলেজতা লাক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি। শান্নরোয়শিংনা রিপোর্ট তৌবা লাকপা মতমদা অধার কার্দ অমদি এজ এষ্টিমেসন পুরক্কদবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

# কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু মুম্বাই সিটি এফ সিনা ১-০দা থোইখ্রে

Match on 25 Oct.
ATK Vs HYD

কোচি, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬লক এদিসনগী ঙসি কেরলাগী কোচি সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫শুবা লীগ মেচতা য়ুম্বু কেরালা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু মুম্বাই সিটি এফ সিনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কেরালা ব্লাষ্টর্সকী টিম ঙসিগী মেচ অদু থারগা হিরো আই এস এলগী ৬শুবা এদিসন অসিদা অনীরক শুবা মেচ ওইনা শান্নরকপনি। লীগ অসিগী অহানবা হৌদোকপা মেচতা মখোয়না লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা এটলেটিকো দি কোলকতাবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সি চহী অসিগী ওইনা হিরো আই এস এলগী অহানবা মেচ শান্নরকপনি।

মেচ অদু হৌরকপদগী টিম অনীমক লম্বা মান্নবা ঙমখি। কেরালা ব্লাষ্টর্সকী টিম অদু মখোয়না অহানবা মেচ থা অসিগী ২০দা এটলেটিকো দি কোলকতাগা শান্নখিবদা টিম অদুগী গোল কিপ্পরনা ফজবা সেভ কয়া তৌবখিবা মরম্না মায়থীরমগদবদগী কনখিবনি। মায় পাকপগী মহাও ফংলিবা টিম অদুনা ঙসিসু মুম্বাই সিটি এফ সিবু মায়থীবা পীবা ঙম্নবা হোৎনরকখি।

মুম্বাই সিটি এফ সিগী টিম হন্দক্কী লীগ অসিগী ওইনা অহানবা মেচ শান্নরকপা মরম্না মখোয়সু লীগ অসিগী মখা তাবা মেচশিং অদুদা অহেনবা থৌনা লাক্লবগীদমক মায় পাকপগী অপাম্বা অদু লৈনা শান্নরকখি।

অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুদা কেরাল ব্লাষ্টর্স এফ সি অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সিগী কোচশিংনা শান্নলোয় কয়া শীন্দোক্তুনা অনৌবা পাঙ্গল পুরক্লবা হোৎনখি।

মেচকী ৮০ শুবা মিনট ফাওবা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা লৈবা ঙমখিদে। ঙসিগী মেচ অদুগী শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা মুম্বাই সিটি এফ সিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় সোভিক চক্রবর্তিনা কেরালগী দিফেন্দর লাম্থোক্তুনা য়াম্না নেম্না পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট টুনিসিয়া মচা অমিন সরমিতিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু মখোয়না কেরালাবু এফ সিব ১-০দা থোইখি। হায়েং এ টি কে অমসুং হায়দরবাদ শান্নরগনি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | +3 | 3 |
| 2 | Jamshedpur | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Mumbai City | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 4 | Kerala Blasters | 2 | 1 | 0 | 0 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 5 | Bengaluru | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 6 | NorthEast United | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |
| 7 | Hyderabad | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 8 | Odisha | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 9 | ATK | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | −1 | 0 |
| 10 | Chennaiyin | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |

# রোজর ফেদরর স্বিজ ইন্দোর্সকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

বাসেল, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): স্বিজর্লেন্দগী সিটি বাসেলদা পাঙথোক্লিবা স্বিজ ইন্দোর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মমাংগী চহী অনীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা লৈবাক অদুম্মক্কী শান্নরোয় রোজর ফেদরর কুমজা অসিগী টুর্নামেন্টতসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয়সু ওইরিবা রোজর ফেদররনা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মোলদোভাগী শান্নরোয় রাদু অলবোটপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু ফেদররনা অলবোটকী সার্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা সেট অদু গেম ৬-০দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা সেটতা অলবোটনা ফনা কন্না হোৎনরবসু শুপ্পগী গেম অহুমখক মায়পাক্লগা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ফেদররনা ব্রেক তৌখিদুনা ৬-৩দা ফেদররনা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফেদররনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা শান্নরোয় ষ্টান ৱারিনকা অমসুং য়ু এস এগী শান্নরোয় ফ্রান্সিস টিয়াফোগী অথোইবা অদুদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন য়ু এস এগী শান্নরোয় রৈলি ওপেলকানা ৬-৭(৪-৭), ৭-৬(৭-৪), ৭-৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় রিচার্দ গস্কিবু ৬-২, ৪-৬, ৬-৩দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্পেনগী রোবার্টো বোষ্টিসতা অগুটকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুপ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোরগা লম্বা তৌনরগনি। ষ্ট্রুপনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ক্কী ঐচ লাকসোনেনবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এলেক্স দি মিনোরনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এলেক্স ফ্রিটচপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩দা থোইরমখি।